# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 26-01-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৬-০১-২০২৬, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) লৈবাক অসিনা ঙসি ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন পাঙথোক্লি। মণিপুরদসু থৌরম অসি পাক শন্না পাঙথোক্লি।

২) লৈবাক অসিগী গেলেন্টরি মেদল, প্রসিদেন্ট মেদল ফোর দিসতিংগুইজ সার্ভিস অমসুং মেরিটোরিয়স সার্ভিসকী মেদল পীননবা লাউথোকপদা মনিপুরগী পুলিস পার্সোনেল ১৩ য়াওরে।

**অমসুং**

৩) সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুন্বগী থবক চথবদা য়াল্লবা খূৎশু খূৎলাই অমদি পোখাইবা য়াবা মচাকশিং ফাগৎলে।

----

**ডে (এল)ঃ** লৈবাক অসিনা ঙসি ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন পাঙথোক্লি। মপুং ওইবা থৌরম নিউ দেল্লিগী কার্তভিয়া পাথতা পাঙথোক্কনি। পেরেদ অসি অয়ুক পুং ১০ মখায়দগী হৌগনি। কুমশি চহীগী গনতন্ত্র দিবস পালনগী হীরমা স্বাতন্ত্রা

কা মন্ত্রা-বন্দে মাতরাম অমসুং সমৃধি কা মন্ত্র-আটমানিরভর ভারত হায়বসিনি। গনতন্ত্র দিবস পালন প্রধান মন্ত্রিনা নেসনেল ৱার মেমোরিয়েলদা চৎলবা মতুং লৈ কত্তুনা হৌদোক্কনি।

মণিপুরদসু হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুংদা ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পাঙথোক্লুগনি। কুমশি চহিগী গনতন্ত্র দিবসকী পেরেড কম্মান্দরনা ৮ শুবা মনিপুর রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট-এন. মোধুনিমাইনা ওইরি। মহাকা লুচিংদুনা নিংথিজরবা মার্চ পাসকী কন্তিনজেন্টশিং অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদগী থোরক্লবা মতুং রাজ ভবন মমাঙ ফাওদুনা চৎলগা নোংচুপ থংবা কংলা গেটতগী চংলক্লবা মতুং ঐতিহাসিক ওইরবা কংলাগী সনথোঙ মমাঙদা রাজ্যপাল অজয়কুমার ভল্লানা সলামি ওক্কনি। পেরেদ অসি অহানবা মণিপুর রাইফলকী পেরেদ গ্রাউন্দদা অমুক লোইশিনগনি।

রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাতরশিংদসু গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরম পাঙথোকরি।

**এৱার্ড (এল)ঃ** ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরমগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী গেলেন্টরি মেদল, প্রসিদেন্ট মেদল ফোর দিসতিংগুইজ সার্ভিস অমসুং মেরিটোরিয়স সার্ভিসকী মেদলশিং পীননবা লাউথোকপদা মনিপুরগী পুলিস পার্সোনেল পুন্না ১৩ য়াওরে।

গেলেন্টরি মেদল পীননবা খনগৎপদা মনিপুরদগী এসিষ্টেন্ট সব-ইন্সপেক্তরশিং-লোংগোনজম লেনিন সিংহ, সিধারথ থোকচোম, হলবিলদার-থৌনাওজম নিচল সিংহ, রাইফলমেন-কুমাম প্রেমানন্দা অমসুং কন্সটেবল-ঙাসেকপম ভিম সিংহ য়াওরি।

প্রসিদেন্ট মেদলদা-মনিপুর পুলিসকী দি.এস.পি. সাসিকুমার খুরাইজম অমসুং মেরিটোরিয়স সার্ভিস মেদলগী ওইনা এস.পি-সি.আই.দি রাজকুমার মনবিন্ধু সিংহ, সিক্স আই.আর.বিগী কম্মান্দেন্ট-ডা: সরাংথেম ইবোমচা,

সেভেন আই.আর.বিগী এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট-ক্ষেত্রিময়ুম প্রসান্ত কুমার, হলবিলদার-নোখোলাল গাংতে, রাইফলমেন-প্রেমচান্দ চুংখাম, এ.এস.আই-পুখ্রম্বম বিজেন সিংহ, রাইফলমেন-কামলেম সাং য়াওরি।

অমরোমদা, ফয়ার সার্ভিসকী সব-ওফিসার-চিরোম রঞ্জিৎকুমারসু ফয়ার সার্ভিস মেরিটোরিস সার্ভিসকী মেদল পীননবা খল্লকপদা য়াওরে।

**পদ্মশ্রী (এল)ঃ** গনতন্ত্র দিবসকী মাংওইননা রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা মীওই ১৩১ দা পদ্মা এৱার্দ পীবদা অয়াবা পীখ্রে। কুমশি চহীগী ওইনা পদ্মা বিভুসন ৫, পদ্মা ভুসন ১৩ অমসুং পদ্মাশ্রি ১১৩ য়াওরি। পদ্মা বিভুসন ফংগদবশিংগী মনুংদা ধরমেন্দ্র সিংহ দিওল, ভি.এস অচুতানন্দননচিংবা য়াওরি। পদ্মা ভুসন ফংগদবশিংগী মনুংদা অলকা য়াগনিক, মনমুতি, সিবু সোরেন, বিজয় অমিত্তারাজ য়াওরি। পদ্মশ্রীগী মনা পীননবা লাউথোকপদগী মনিপুরদগী লৈখিদ্রবা নট সংকৃর্ত্তনগী গুরু-য়ুমাম যাত্রা সিংহ য়াওরে।

লৈখিদ্রবা যাত্রা সিংহ, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী থাংমৈবন্দ লাইরেনহঞ্জবা লৈকাইদগীনি। মহাক জৱাহরলাল নেহরু মনিপুর দান্স একাডমীগী ভিজিটিং গুরু ওইনা থবক তৌরমখি।

পদ্মা এৱার্দ ফংলবা মীওইশিংদা উপ-রাস্ত্রপতি সি.পি রধাকৃষ্ণন, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনচিংবনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মখোয়না লৈবাক অসিগীদমক কখোকপগা লোয়ননা লৌখিবা থৌদাংবু ইকাই খুমবা উৎলক্লি।

**সেক্যুরিতি (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং থিবা হুন্দ্বগী থবক চথবদা খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎলে।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাথেম বিস্বাজিৎনা হায়- অককবা পাউ অমা ফংবদগী জাইরোলপোকপী খুলদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মেগজিন য়াওবা

এস.এল.আর অমা তুয়েল্ভ বোর শিঙ্গল বেরেল রাইফল ৭, কাপ্পা য়ারিবা এ.কে মরু ৩৩, ইন্সাস মেগজিন ৩, পোম্পী ২, কাপ্পা য়ারিবা ইন্সাস মরু ৪১, কাপ্পা য়ারিবা পোইন্ট থ্রি জেরো থ্রিগী মরু ৪৫, কাপ্পা য়ারিবা এস.এল.আর ২ য়াওনা অতৈ খূৎশু খূৎলাইশিং ফাগৎখি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ময়াং ইম্ফাল পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা ময়াং ইম্ফাল থনা অৱাং লৈকাইদগী ঙরাং আর.পি.এফ(পি.এল.এ)গী মীওই অমা ফারে। মীওই অসিগী নকবা মীওই অমসু শাখি মুথৎনবা হোৎনবগীদমক ফাগৎলে হায়রি।

নুমিৎ অসিমক্তদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী নোংপোক সেকমাই পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা ককময়াই লমখাইদগী দবল বেরেল ১, হেন্দ গ্রেনেদ ৪, আই.ঈ.দি ৬, মেগজিন ২, দিতোনেতর ৫, কাপ্পা য়ারিবা মরু ৪০ ফাগৎখি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা গৌরশিং লোক লুৱাংশাংবমদগী হেন্দ গ্রেনেদ ৪, ইলেক্ট্রিক দিতোনেতর ২, স্তন গ্রেনেদ ১, কাপ্পা য়ারিবা মরু ২১ অমদি অতৈ পোৎলম কয়ামরুম ফাগৎখি। চুরাচান্দপুর পুলিস স্তেসনগী তৈজাং খুলগী তেরাখোঙশাং উমংদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা মেগজিন য়াওবা এম.এ টু-এম.কে.টু রাইফল ১, এ.কেগী মেগজিন ১, কাপ্পা য়ারিবা মরু ৬৬ গ্রেনেদ ২, কিলো ৩ মখায়রোম লুম্বা আই.ঈ.দি ৩, বেরেল গন ১ ফাগৎখি।

মণিপুর পুলিসকী চেরোল অদুনা হায়-ঙসি পাঙথোক্কদৌরিবা গনতন্ত্র দিবস পালনগী য়েংলগা অকনবা চেকশিল থৌরাং লৌখৎলে। মফম কয়াদা থি হুম্বগী থবক চংখি।

**এৱার্দঃ** রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা মীওই ৩০ দা জিবন রক্সা পরক ২০২৫ পীবদা অয়াবা পীখ্রে। মসিগী মনুংদা মীওই ৬ তা সর্ভোটতম জিবন রক্সা পরক, মীওই ৬ তা উট্টম জিবন রক্সা পরক অমসুং মীওই ১৯ দা জিবন রক্সা পরক

পীরগনি। মসিগী মনুংদা মীওই ৬ তি মশা লৈখিদ্রবা মতুংদা পীগদবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মেদল লাউথোকপদা মনিপুরদগী পর্সনেল ১৩ য়াওরকপা, নেসনেল ভোতর্স ডে পাঙথোকখিবা অমসুং কুকি এম.এল.এশিং য়াওরবসু য়াওদ্রবসু অনৌবা সরকার শেম্লবা য়াই হায়বা পাউশিং অসিনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

গুৱাহাতিদা কুকি এম.এল.এশিংগা ৱা খন্নগদৌরি, সম্বিট পত্রগা উনখ্রে, হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েলগা উনদৌরি, অমিত শাহসু লাক্কদৌরি হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। কুকি এম.এল.এশিং য়াওরবসু য়াওদ্রবসু অনৌবা সরকার শেম্লবা য়াই হায়বা পাউনা- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। মসিগা মান্নবা পাউ- তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন, হুইয়েন লানপাউ, পোকফম, নহারোলগী থৌদাংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

অথুবা মতমদা মনিপুরদা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা শেম্লগনি হায়না গোবিন্দাসনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- পোকফমগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি । মোদি অমসুং অমিত শাহ জনুৱারি ৩০ অমসুং ফেব্রুৱারি ১৪ দা অসামদা লাক্কদৌরি, অমিত শাহনা গুৱাহাতিদা লৈরিঙৈদা মনিপুরগী কুকি এম.এল.এ ১০ গা উনগদ্রা হায়বা পাউ- হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

১৬ শুবা নেসনেল ভোটর্স ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে, এদ্দিসনেল চিফ

সেক্রেটরি ভিভেক কুমারনা কুমজা ২০২৭ কী ষ্টেট এশেমব্লি মীখল কাংলোন চুমা পাঙথোকসি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম- সনালৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি। ভোতিং রাইটস নিংথিনা খঙনবা স্কুল অমদি কোলেজতা কেম্পেইন চথরগনি হায়বা পাউ- নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি। নেসনেল ভোটর্স ডেগী পাউ অসি- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস অমসুং গানফিউ মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নট সংকৃটনগী যুমাম যাত্রা সিংহদা পদ্মাশ্রি পীরগনি হায়বা পাউনা- মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- তামেংলোং তাইমসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

মনিপুর হাই কোর্টনা ময়াংলাম্বম রিসিকান্ত হাৎপগী ভিদিও ভাইরেল চৎপা অদু থিংননবা খঙহনখিবগী পাউ- গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

মণিপুরগী চাকহাউ মপালদা লৈবাকশিংনা লৈবা পামরক্লি হায়বা অখন্নবা পাউ অমা- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী এঙ্কর কলমদা ফোতোগা কোন্ননা ফোঙলি।

**পাউ লোইজরে--**